# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses




ৱেষ্টর্ন ষ্টার ক্লব, লাংজিং অচৌবনা শীন্দুনা লাংজিং অচৌবা মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশোরবু তরাম্না ওকখিবা


'অফবা মী' খক্তনা অৱাফমদা তারিবা করিগী? ☛ লামায় ২

আলুদা তাগনবা লায়নাশিং খঙদোক্তুনা চেকশিলহৌসি লামায় ৪

মশাগী ফীভম হোংলকপদা শঙ্গোম থোকপী ষণশিং শেন্নবীবা ☛ লামায় ৫

ইম্ফাল বুক ফেয়র জন্যুৱারী ১৫দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি ☛ লামায় ৬


খুমন থিঙোম নিংথৌ, থিঙোম কলাচান্দ মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী ১০১শুবা মপোক কুমওনদা অহল লমনশিংদা কম্বলশিং খুদোল তমখিবা




Vol. 46, Issue No. 278 | নিংথৌকাবা, ৱাকচীংগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, January 09, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## অমিট শাহনা মণিপুরগী পুৱারীবু লান্না উহন্নবা ঙাঙলম্বশিং শেংদোক্কদবনি : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৬তা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ষ্টেট অসিদা লাক্লম্বা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাবগা লোয়নননা খরগীনা উরেপ উযুং তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লম্বদা মণিপুরগী পুৱারীদা যাম্না অকায়বা অমসুং যাম্না শোকহনগদবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লম্বা অদুমক লাইবক থীবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোকপগা লোয়নননা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী পুৱারীগী মরমদা ঙাঙলম্বা অরানবা ৱাফমশিং অথুবা মতমদা লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি হায়রি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লিবা মণিপুর অমসুং ঐখোয়গী লৈজ রিবা কলচরশিংবু ওন্ন-তৈননা ঙাঙখিবা অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টনসু ঙাঙখিবা ৱাফমশিং অদু মণিপুরগী পুৱারীবু লান্না চৎহন্নবা থৌওংনি। মসিমক যাম্না লাইবক থীবা অমনি হায়খি।

মখোয়না ফোঙদোকখিবদা চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারী লৈজরকপনি অমুক হায় অদুগা মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরী অমসুং মীতৈশিংবু অর্জুনগী চাদা নাওদা, মচা-মশুনি হায়না অমুক্তসু হায়খি। ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা অসি অহানবা মণিপুরগী লৈশেমলোন্দগী হৌরদুনা অহানবা নিংথৌ ওইরকখিবনি। ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবদগী মথং মথং শন্দোরকখিবগী ৱারীশিং ক্রোনিকলস ওফ মণিপুরনচিংবদা ময়েক শেংনা লৈরি হায়খি। অদুবু ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা ফাওবা অর্জুনগী চাদা-নাওদানি হায়জিল্লকপা অসিদি যাম্না লাইবক থীবা অমসুং হায়হৈদবা ৱাফমনি। ৱাফম অসি মণিপুরগী পুৱারীবু খোঙ্গোইনবা ৱাফম অমনি হায়না এম পি সী সীনা লৌই হায়খি।

কুমজা ২০১৯দসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা গুজরাটকী মফম অমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মণিপুরগী পুৱারীগী মতাংদা পল্লদুনা মণিপুরগী নিংঙোল লৌই হায়দুনা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। ষ্টেট অসিগী পুৱারীদা লৈতবা ৱাফম ময়াম ফোঙদোকপসু লৈখ্রে হায়খি। কুমজা ২০১৯দা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী কনফরেন্সতসু অমিট শাহনা ঙরাং নহান ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিগা চপ মান্ননা ফোঙদোকপসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪



## এম এল এ ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন ৩৫

## ইলেক্সন পিটিসন ৪গী মখা তাবা ৱায়েল জন্যুৱারী ১০দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস) : মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাক্লকখ্রবা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৬কী মনুংদগী ১ ৱিথদ্রো তৌখ্রগা লেমহৌরিবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৫গী চথরক্লিবা ৱায়েলগী মখা তাবা শরুক্তা থা অসিগী ১০দা এম এল এ ৪গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসনশিংগী ৱায়েল চথুগদৌরি।

থা অসিগী ১০দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা মখা তাবা ৱায়েল চথুগদৌরিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংদি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুমগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০২২ অমসুং মসিগা মরী লৈননা পিটিস্নরনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১১৯ ওফ ২০২২ অমসুং এম এল এ কিমনিও হাওকিপ হংসিং অমদি অতোপ্পা মীওই ৬কী মথক্তা কেন রাই খাননা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩৪ ওফ ২০২২নি।

মেট্টর অসিগা লোয়নননা কিমনিও হাওকিপনা কেন রাই খান অমসুং অতোপ্পা মীওই ৬কী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন নম্বর ৩০ ওফ ২০২২, কেন রাইখাননা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৩১ ওফ ২০২২ অমসুং কিমনিও হাওকিপকী মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ৬৬ ওফ ২০২২ য়াওরি। অদুগা নুমিৎ অসিদা বেঞ্চ অসিমক্তদা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক লিষ্ট তৌরিবা অতোপ্পা ইলেক্সন পিটিসননা এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেনগী মথক্তা অরুবম ইবোতোম্বীনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৮ ওফ ২০২২, মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৯২ ওফ২০২২ অদুগা এম এল এ মশানা অরুবম ইবোতোম্বীগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৭৫ ওফ ২০২২ অমসুং ৮ ওফ ২০২২নি।

নুমিৎ অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চতা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক লিষ্ট তৌরিবা ইলেক্সন পিটিসননা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই ৮গী মথক্তা অহন্থেম সঞ্জয়না ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৩ ওফ২০২২, নিংথৌজম মঙ্গিনা অহন্থেম সঞ্জয় অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন নম্বর ৮ ওফ ২০২২ অমসুং এম এল এ মশানা অহন্থেম সঞ্জয় অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন নম্বর ৭ ওফ ২০২২নি।

### এক্টিভ কেস ১ খক্তা ঙাইরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টতা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৬তগী সেম্পল ১২০ টেষ্ট তৌখিবদা কোভিদ পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদবগী মথক্তা হান্নদগী লৈরকপা এক্টিভ কেস ২গী মনুংদা ১ দিসচার্জ তৌখ্রবনা হৌজিক এক্টিভ কেস অমা খক্তমক ঙাইরে হায়রি।

### পুং ৪৮গী ওইনা বন্দ হন্দোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ৩০দগী মফম খঙদনা লৈরকখিবা নাচৌ অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ২দগী য়াংলেম প্রিয়োব্রত (৪৮) অপোকপা ৱাই কেসোগী অশিবা হকচাং ঙরাং অয়ুক নাগালেন্দগী খোইজুমাদা ফংখিবগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা হয়েং অয়ুক পুং ৬তগী টিদ্দিম লম্বীদা চথগনি থৌরাংলম্বা বন্দগী খোঙজং মীয়ামগী য়েংলগা পুং ৪৮গী ওইনা কোমথোক্লে হায়রি।

### ঙসিদগী ও পি দিশিং থিংলগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস ডাক্তরস এসোসিএসননা মখোয়গী দিমান্দশিংগী মতাংদা লৈঙাক্না থৌশারক্তবদগী থা অসিগী ৫দা থোকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না হয়েংদগী লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিংগী ও পি দিশিং মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি হায়রি।

### জন্তর মন্তরদা নেফিস

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): অরুনাচল প্রদেশ লৈঙাক্না চাকমা অমসুং হাজোং ফুরুপকী মীওইশিংগী রেসিদেন্সিএল প্রুভ সর্টিফিকেট কেন্সেল তৌনবগী লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা জন্তর মন্তরদা চথখিবা প্রোটেষ্টতা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) সু শরুক য়াখ্রে হায়রি।

### এম এল এবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): লাংজিং অচৌবগী ৱেষ্টর্ন ষ্টার ক্লব (দব্লিয়ু এস সী) না শীন্দুনা এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশোরবু ওকপগা লোয়নননা ক্লাস টেন অমসুং ট্বেলভকী মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়শিংদা খুদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়নননা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা লমজেলদা মনা লৌরকখ্রবা চহী ৭০ শুরবা মীওইশিংদা খুদোল তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লাংজিং ...মখা লামায় ৫ কলম ১

### পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবা লৈখিদ্রে

#### মণিপুরী থিএটরগী শক্লাইরবা থৱান্মীচাক্লা কেনখিবদা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস) : শক্লাইরবা সঙ্কীতন শৈশকপা অমগী মচানুপা ওইবদা নত্তনা মণিপুরগী ট্রেদিসনেল আর্ট অমসুং কলচরগা য়াওন্নরকখিবা ময়াম্না ৱারেপ্পা নবা হায়রগা হেন্না খঙনবা দব্লিয়ু নবচন্দ্র ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোম্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.১৫ রোম চৎলকপদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরদুনা শিজ হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

হোস্পিটাল অসিদা মহাক থা অসিগী ২দা মশাদা ফাওরকপা অনাবা অমদগী পুখৎতুনা লায়কন্নখিবনি। অদুগা লায়েংশঙ অসিদা ওপরেসন তৌরবা মতুং ফমশেন্নদুনা লৈরকখিবনি।

থৱায় য়াওদ্রবা মহাক্কী হকচাং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা কৈরেন কৈজাওদা হাপ্তুনা বেন পার্টিগা লোয়নননা শিজ হোস্পিটালদগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন তম্না পুরক্লগা লৈ-শু কৎতুনা অরোইবা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

একাদেমিক এজদা পোকপগী চহী নবেম্বর ১, ১৯৪৭ হায়দুনা পাল্লগসু মহাক হাওবম মরক থিঙেল ঙাঙোম লৈকায়দা কুমজা ১৯৪১গী ওক্টোবর ১৬তা পোকখিবনি। থিএটরবু পামজনা হৌরকখিবা মহাক্না লৈখিদ্রবা থিএটরগী শক্লাইরবা পদ্মশ্রী হৈস্নাম কহ্নাইলালগী মখাদা কুমজা ১৯৬৫দা 'থিএটর মিরর' লিংখৎলদুনা মণিপুর খক্তা নত্তনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা থিএটরবু ঙাক শেন্দুনা অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### মীতৈদি হান্না এস টি ষ্টেটসতা লৈরম্মী, অমুক হঞ্জিনজগে হায়বনি, শোয়দনা মায় পাক্কনি : এম এল এ রামেশ্বর




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ : মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দদা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসিসু কক্চীংগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী য়ুমদা থোমজিন্দুনা মেমোরেন্দম পীশিনখিববু তরাম্না ওক্লদুনা এম এল এনা মীতৈ/মৈতৈশিং অসি হান্না এস টি ষ্টেটসতা লৈরম্মী হায়রদুনা দিমান্দ অসি অমুক হন্না ষ্টেটস অদুদা হঞ্জিনজগে হায়বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেমোরেন্দম লৌশিল্লদুনা এম এল এনা হায়, মতম অমদা ঐখোয় সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইরম্মী। ঐখোয়না হান্না ওইজরম্বা ষ্টেটস অদুদা হঞ্জিনজরগে হায়বনি। ইনৌ নৌনা ঐখোয়না এস টি ষ্টেটসতা লৈজগে হায়বা নত্তে। মরম অসিনা এস টি দি সী এমগী মহুত্তা সেদ্যুল্ড ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা বেন্নর, হোর্দিং, এদভর্টাইজ, সাইন বোর্দশিংগী মথক্তা মীতৈ ময়েক্লা চাউনা চাউনা থাবীগদবনি : মীলাল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী ময়ায় লোয়শঙগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সোইবম অরুন মীতৈনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা লমদমসিদা ইবা বেন্নর, হোর্দিং, এদভর্টাইজ অমসুং সাইন বোর্দশিংগী মথক্তা মীতৈ ময়েক্লা চাউনা চাউনা থাবীগদবনি হায়বগী খোঙজং অদু হেন্না কনশিনবগা লোয়নননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৩ ফাওবদা হায়রিবশিং অসিগী মকোক্তা চাউনা চাউনা মীতৈ ময়েক্লা থাবীগদবনি হায়রি।

করিগুম্বা থাদবশিং অদুগী মথক্তা নুমিৎ অসিগী মতুংদগী মীলালগী থৌমীশিংনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনবা হৌবগা লোয়নননা ময়েক্লা চাউনা থারমদবশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। মীয়াম্নসু মীতৈ ময়েক চাওখৎহনবদা অমদি অৱাংবা থাক্তা থম্নবা চঙশিল্লক্লিবা মীলালগী খোঙজংবু শৌগৎপীয়ু অমদি মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

ৱারেপ অসি থা অসিগী ৬কী অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপদা মীলাল ময়ায় লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট খাইদেম ইঙোচানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীলালগী এগজিক্যুটিভকী ওইবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মতুং ইন্ননি হায়রি।

### এম দি এফ আই চলাইরিবশিংদগী মীৎ-না শিংনা লৈবীয়ু, মখোয়গী মরমদা ঈ-পাউ পীবিরকউ : কে সী পি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ : মণিপুর দিভেলপমেন্ট ফাইনান্সিএল ইনভেষ্টমেন্ট (এম দি এফ আই) গী মীংদা মসিগী মাষ্টর মাইন্দ অমসুং মহাক্কী খূৎপুনা মীয়ামদা শাথীরবা পোঞ্জি স্কিম অমা চথুরে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এম পুন্সিবা মীতৈনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখ্রবা মতুং ঙসিসু পার্টি অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা থোরকপা চেরোল অমনা এম দি এফ আই চলাইরিবা নুরুল হক অমসুং মহাক্কী কো কলপ্রিটশিংদগী মরী লৈনবা মীয়াম্না মীৎ-না শিংনা লৈবীয়ু অমসুং মখোয়গী হৌখ্রবা অমসুং হৌজিক্কী ওইবা ঈ-পাউশিং পার্টিদা পীবিরকউ হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, এম দি এফ আইগী মরুমদা লুপা মল্টি-ক্রোর স্কাম চথরক্লিবা মাষ্টর মাইন্দ মোহম্মদ নুরুল হক এলিয়জ কে ঐচ সনায়াইমগী মায়কৈদগী মহাক্না চথরকখিবা স্কাম অসিগী ভিক্টিমশিংবু অপংবা শীবা অমসুং লান্না লমজিংবগী থবক মখা তানা চথরক্লি হায়রি। থৌওং অসিমক মহাক্না ঙসি ফোঙবা পাউচে অমদা অরানবা ৱাফমশিং হায়দুনা শেংদোরকপনি হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পার্টিনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইনবগীদমক পাউচেশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদি এম দি এফ আইবু রেজিষ্টর তৌই ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### মণিপুরনা লীলা-দ্রামাদা মীং চৎলবসু হোম কমিং দ্রামাদদি ফ্লোপ চৎলে, ঈকায়নীংঙাইনি : প্রিপাক (প্রো)

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৮ : ইন্দিয়ানা নিও-কোলোনিএলিজমবু মখা শমথদুনা চহী খুদিংগী নীংশিং থৌরম ওইনা পাঙথোক্লিবা "নিও-কোলোনিএল রিসাইক্লিং দে - ২৬ জন্যুৱারী" গী মাঙজৌননা সেন্টরগী 'পাস মার্ক' ফংনবা শান্নখিবা "হোম কমিং দ্রামা' দা য়াওহনখিবা হেমাম ইবুংঙোমচা অমসুং তখেলম্বম জোনসন হায়রিবা অনীসি প্রিপাক (প্রো) অমদি রেদ আর্মিগী মেম্বর লিষ্টতা কনানো থিগৎপদা অৱাবা অমা ওইরে, পার্টিগী মেম্বরসু নত্তে, থবক শীজিন্নবসু লৈতে। বেন্নর অসি "হোম কমিং সিরেমোনি" হায়বনিনা লিটরেরি মিনিং ওইনা ইচম চম্না ময়ূমদা হল্লকপা হায়জবনি, ময়ূমদা লৈরিবা মীওইনা ময়ূমদা হল্লক্তনা কদাইদা হল্লকতোইনো? মীওই অনীসি পার্টিগী মেম্বর নত্তবনিনা ময়ূমদগী থোকখ্রগা ময়ূমদা হঞ্জবদা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীদিয়া মমাঙদা ঙাইহাক্কী দ্রামা উৎলম্নবা ফিজোল শেৎচিনখিবা ওইরমগনি।

দ্রগকী ঈপাক্তা লাকথুবা নহা কয়ানা ময়ূম ময়ূমদা নৈথবা য়াবা নৈথরগা কোন্না পৈশা খরা ফংজবনা ফরে খন্দুনা মমা মপা অমদি গভর্ণমেন্টকা চুংশিন্নদুনা "হোম কমিং সিরেমোনি" তৌমিন্নবগী চৎনবী অমা চথরক্লি। অসিগুম্বা দ্রামা কয়া মমাঙদা উৎখ্রে, অদুবু মদুগী কান্নবসি কয়াম ফংলবগে? তশেংনা হায়রবদি ৱাজাও ঙাঙবা গভর্ণমেন্ট অসিনা শেন্মীৎলোনগী থৌশিল পায়খৎতুনা থবক শুফম পীবদি ঙমদ্রবনিনা লালহৌবনি হায়জিল্লগা "সরেন্দর দ্রামা' গী খূত্থাংদা 'ফেক এমপ্লোয়মেন্ট' গী থৌরাং তৌবনি হায়না মীয়ামদা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক-প্রোগ্রেসিভ) কী মীদিয়া কোওর্দিনেটর লনচেনবগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী লুচিংবনি হায়জরিবশিংনা ঙাঙথোক শক্তোকপা তৌথোক্লকপা থবক্তা নোক্লিংবা 'ইপোম' মানবা যাম্না য়াওই। 'ইমোইনু ঈরাৎ' ...মখা লামায় ৫ কলম ১

### মণিপুরদা অহানবা ওইনা পান্থোইবী গ্রিন হোম কৌবা হাউজিং প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপা হৌরে : হেমো

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৮ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকা যাম্না নক্লনা লৈরিবা খাবম বমদিয়ারদা মণিপুরগী ইহান হানবা ওইনা পান্থোইবী গ্রিন হোম কৌবা হাউজিং প্রোজেক্টকী থবক পায়খৎপা হৌরে। হাউজিং প্রোজেক্ট অসি পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ (পি ঐচ এফ সী এল)গী সিষ্টর কম্পনি অমা ওইরিবা পান্থোইবী কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদনা মণিপুর মীয়ামদা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা কান্নরবা খুদোংচাবা কয়া পীরি হায়না পি ঐচ এফ সী এলগী চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর থোকচোম হেমোনা ফোঙদোকখ্রে।

পান্থোইবী গ্রিন হোম হায়বা হাউজিং প্রোজেক্টকী হৌজিক থবক পায়খৎপা হৌরবা মফম অমা ওইরিবা খাবম বমদিয়ারদা পাঙথোকপা ঙসিগী পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, হাউজিং প্রোজেক্ট অসিনা মীয়ামদা কান্নবা খুদোংচাবা কয়া অমা পীরি। গ্রেটর ইম্ফালদা নৌনা পক্কা বিল্ডিংগী ওইবা য়ুম শানবগীদমক ইংখোল/প্লোট লৈনবগীদমক থৌরাং তৌবিরিবা মীওইশিংগীদমক পোইন্ট ৬ হায়বদি স্কৱার ফিট ২৬১০গী এরিয়া ওইবা ইংখোল/প্লোটশিং শেম শারে। প্লোটশিং লৈরবা মতুংদা য়ূম শারক্নবগীদমক শেল থুমগী অৱাংপা লৈরবসু পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদনা সবসিদাইজ হোম লোনগী খুদোংচাবশিংসু পীনবগীদমক শেম শারে। হায়রিবা প্লোটশিং অসি লৈবা মতমদা ৱান টাইমদা ফুল পেমেন্ট তৌবিবশিংগী ওইনদি চাদা ১০ দিস্কাউন্ট পীগনি। লোয়নননা হোল এমাউন্ট অদুগী চাদা ৫০ হান্না এদভান্স পেমেন্ট তৌরগা রিমেনিং চাদা ৫০গী এমাউন্ট অদুনা চাদা ১০ পর এনমগী চাংদা হায়বদি থাদা শুপ্নতংগী চাদা ০.৮৫দা শেন্দোই খরগা থা-থাগী অনেম্বা ইন্সটলমেন্ট (ই এম আই) ওইনা চহী অমা থিবা য়াগনি। হায়রিবা মোদ ওফ পেমেন্ট অসিদনা চাদা ৫ দিস্কাউন্ট পীগনি। অদুগা অহুমশুবা ওপসনদনা লুপা লাখ ৫ খক্তং হান্না এদভান্স পেমেন্ট তৌরগা লেমহৌরিবা এমাউন্ট অদু চহী অনী চঙনা ই এম আই থিবা য়াগনি।

কম্পনিনা থল্লিবা ওপসন ৩ অসিদা অমা নত্রগা অমদা যাম্না লায়না প্লোটশিং লৈবিবা য়ারগনি। অথুবা মতমদা ...মখা লামায় ৫ কলম ১



HL-P/5584/9


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


### HL Poll

Q : Manipurigi puwaribu lanna uhannaba meeoi amatana hotnaba chumde haibasi meeyamna amuk hanna khanghanba mathou taraklabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Police Departmentta cheng chengkok ama mangthokhangadaba chak chagring yaore haibada langadra?

Yes 40% No 60%

### অস! লোইরেহে!

- ঐনা ঙসাই মণিপুর চাওখৎলে হায়না শৈরেং অমা থিরম্বনি।



- তারমদাইদা মৈ লাক্লেনে, মখোয় পাবুং!


STATE ARCHAEOLOGY
DEPARTMENT OF ART & CULTURE
GOVERNMENT OF MANIIPUR

*Cordially invites your kind presence at the observance of the*

**189th Death Anniversary of Maharaj Gambhir Singh**

at the Samadhi of Maharaj at Langthabal (Canchipur)
on 9th January (Monday), 2023 at 9.30 a.m.

**Shri N. Biren Singh**
Hon'ble Chief Minister, Manipur
(Chief Guest)

**Maharaja Leishemba Sanajaoba**
Hon'ble MP (Rajya Sabha)
(President)